*'ঐবু নোকসিরা ঐবু কপসিরা*
*হো পুর্নিমা, মেরাগী পুর্নিমা''*

*- মাইবম রামচরন*

শৈরেং

### য়াইফবতা ওইয়ুকো

—ডা. অকোইজম ইবোহল

মনিনা থাল্লবী, মুক্তানা থিল্লিবী
সনাদা সনা লৈবাকনি মণিপুর
অকনবা পোকপীনি, অথৌবা য়োকপীনি
পলেমনি মালেমদা অনী শুদ্রবী
খোঙশাল্লমদাই নপারি নমোম মঙানা
পীনবিয়ু য়াইফ-থৌজাল অথোইবা;
পদ্মশ্রী, পদ্মভুষন, পদ্মবিভুষননা য়োল্লবী
সনাগী মথক্তা তম্ফা থিল্লবী
লম্বা লৈত্রবীনি 'মেগ্নিফিসিএন্ট মেরি'
য়েৎনা থিন ওইদা তুহন, ওইনা থিন য়েৎতা তুহন
থিন্দৎপা ঙমদুনা মায়োক্লবা অমমমতবু
সনাগী লুহুপ উপ্পুনা হল্লকউকো;
হায়নবা লৈ অঙাংদি নিংথাদা খঙই
পিক্লিঙৈদগী শীঙপোৎ কোকথোং পুরকপী
নোংপোক ককচীংদা শাফোঙলকপী মিরাবাই
পদ্মশ্রী, রজিব গান্ধী খেল রত্ননা লৈতেংলিবী
পুনেমজরি ইবুধৌ খল্লাংবগী খুয়াখাদা
মালেম লৈমবু থাঙ্গৎপা ঙম্বা পীনবিয়ু।
লাইনিংথৌ মারজিং মহাক্কী মশাইকোন
হৈঙাং লমদম লমনুংশিদা পোকচবী
ভারত বর্ষদগী নাইতোম খনগৎলকপী
অথোইবী জুদোকা লিকমাবম সুশিলা
লৈবাক পুঙজাও থিলহল্লসি হন্দক্তি
নহাক্না সনাগী তকমান ফংলকপগী;
ভারত জাতিগী মশান্না হোকিদা
য়েৎকা ওইগা লানবন ঙাক্কদৌরিবা
মৈতৈ লৈমগী মপারি মমোম
শঙলাকপম নিলকান্ত, পুখ্রম্বম সুশিলা
লৈজবা নথৌনা নরিংজেল ফুদোক্তুনা
পজেং ফিরাল থেৎলকপা ওইয়ুকো;
য়োইবু য়োইহেন তাল্লিবা অথৌবশা
হেন্না য়াঙবা, হেন্না ৱাংবা, হেন্না কনবগী
হিদান্নফম মালেমগী শান্নবুংদুদা চৎলুরো
নকোক ফাওবা চিক্তবা ওইয়ুকো
মিংচৎ উরোং খিল্লম্মু নতু নামান তেক্তনা
ঙাইরমগেকো মণিপুর ইমানা ঈখৌ লাংনা।

### অমম্বা অহিংগী মল্লবা থম্মোয়

—শ্রীভক্ত

শুক্লা মল্লবা অহিংদা
মুশূক মুনা মমশিল্লক্লিবা নোংগী মপৈদা
থিনবা হোৎনরুই নোংথাং লৈমবু
লোৎখ্রমাল্লে মহাকসু
শূক্লা মল্লবা অহিংগী
মুশূক মুনা মমশিল্লক্লিবা নোংগী মরুমদা
অদুবু, করিগী অদুক তপথবগে
তহাদবা নিঙোলগী
মরোল থোক্তবা থম্মোইগুম।
নোং ঙান্দ্রবা অহিংগী
মুশূক মুনা মমশিল্লক্লিবা নোংগী মপৈদা
তমগে হোৎনরুই পাউদম অমা
লোম্হোক্তবা থম্মোয়সিগী
তাবিরোই খঙলবা নাপ্পদা;
খঙলে ঐগী থম্মোয়সিসু
মুশূক মুনা মমশিল্লক্লিবা নোংগী মপৈনি
মঙাল ফংদ্রবা অমম্বা কাচিননি
অহিংগীসু নুংথিলদসু
থাজসু কোরৌসু মাঙখ্রবা
শূক্লা মল্লবা অহিংগী
মুশূক মুনা মমশিল্লক্লিবা নোংগী মরুমদা।

### অনৌবা নুমিৎ

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

নুংঙাইতবা ৱারী কয়া
তানীংদনা তারি
ঐ,
য়েংনীংদ্রবা ফিজোল
শেৎ-চারদুনা ইমাংদা
লেপ্পরি।
নুংশি-নুংশিনা
কাইনবা তারি;
অঙকপা
মপু মাগী খূৎশেমনি।
নঙ, ঐনা
করি তৌবা ঙমগনি
মতমনা পুরকপা
য়াওলনি,
ঙাইবা তাই।
অনৌবা নুমিৎনা থোরকপা
অনৌবা মশক,
মঙাল অমগা লোয়নরদুনা।

### ঐদি নিংথৌ ওইজরোই

—মৈস্নাম বীরমনি পাল্লারবোন্দ

লৈক্রক চৎলবা লৌবুকনা
ঙাইজরি নোংবু খৌরাংনা
শেগাইরা লায়রা খাংপোকনদি?
কনাগী মীচংদনো লৈঙাক্তি?
ঈকং থোকপগী ৱানরে
ঈচাও লাকপগী কপ্পরে
কাঙলূপ মশেল নুংশিনদ্রে
ঙমখৈ ঙাকপগী খৎনরে
থবক ফংদ্রে ৱাকৎলে
চরা শীৎলে হায়রক্লে
থাও তাঙলে লাউনরে
লম্বী থোংগী ঙাঙনরে
মীশিং হন্থবগী খৎনরে
লৈতে মপু ওইবীনবা
য়াম্মী মীপান তাংবীনবা
নোক্লি বিরোধিনা ঐঙোন্দা
ফংলবদা খুদোংচাবা লাওননবা
ঐদি নিংথৌ ওইজরোই।

### কুমগী নোংসু চুরকখিদ্রে

—বি মঙাং

মৈরি থোক্লা শারবা মালেমসে
অয়ূক্কী নামিবা নুংশিৎসু
চপ লেপ্পুনা লৈখ্রে
লৈখল শুনা হৌরবা
লৈকোল লৈরাশিংসু
শাখিদরে জগোয় খূৎথেক
উফুল লুহুপ উপ্লিবা
মরূ কোল্লবা চীংদোলসু
মৈহৌরবা নুংশানা য়ৈবদা
পাইনীংবা মফমদা পাইখরে
লোক্তগী চেন্থরকপা ঈশিংগী
নুংশিবা খোঞ্জেলসু তাখিদরে
চীংজাওগী অশুকপা উমংগী
লৈচিল জগোয় শাবিশিংসু
কেকু লোৎপী শান্নখ্রা মালে
ঙাইহরি অমুবা লৈচিলদি
লৈচিল জগোয় শাবীশিং
ৱুহান কোভিদ-১৯না
তকখায়রি বুল দোজরগুম্লা
অচৌ পিশক খায়দনা
অশোক্কী কালিঙ্গ লানফমগুম
য়েন্দেম থারাক শোয়বগুম
অচান মীরায় নাইদনা
হন্নখ্রে চৎখ্রে পন্থুংফমদা
মনুং মতম চাদনা
কুমগী নোংসু চুরকখিদরে
কিরমালে কোভিদ-১৯

### লৈঙাকপসু, ফম্নাইবসু, তেংবাঙবীনবসু

—বীমোলচান্দ

গোবিন্দগী শরিক খোঞ্জেলনা
কনাগুম্বগী মীকপ কায়রবা;
গীর্জাগী কাংশি মখোলনা
থম্মোয়দা তাশোন্না থিল্লবা
নোংঙাল্লমদাই মৌলবীগী আজানা
নাকোং-শীংজা য়ৈরবা;
অদুগুম্বা মফমদুদনি হিংলিবা,
তায়োন্নরে হায়নরিবা পুন্সি অমা
পুন্সি মাগী সংসার অমা।
মাগীদি পোক্লফমনি মণিপুর
সংসারদা অনী শুদ্রবা,
চাওখৎপা খুদিং ৱাৎলিবা
হীরম খুদিং শোত্থরিবা,
অকুৎপদা লৈতৌবা লমদম
অতোঙবদা লৈথোনবা লৈবাক।
মীগী মমাদা ইমা কৌফদে
মদুগীসু থম্মোয়বু চেকশিঞ্জে
কপচৈ লোন্না মমাবু উরগা
মীনদি হায়নবী মীমান্নদ্রবনি।
থাবুম তরানিথোইনি কুমজা অমগী
লেপ্তে থাবুম অমত্তবু হরাও-কুম্মৈ,
ৱারে খঙনৈ 'দুবু অৱাবা খাঙনৈ
চৎনবীগী লিপুন্না চেৎনা পুন্নে,
ইকায়নৈ 'পাগী-পুগী লীক্লমচৎনি খন্নে
অরৈবগীনা লৈনা-লৈতবগীনা লৈতনা।
হা শন্দ্রেম্বী ইমাদি খ্বাং য়ৌরে
লাউজৈ শোঞ্জে - কৈদৌরুনি
তবীনবা লৈতে - তেংবাঙবীনবা লৈতে
তায়োন্নরা মচা ঙাক্তনা ওইরে
লৈঙাকপসু, ফম্নাইবসু, তেংবাঙবীনবসু
কল্লিদা! অনম-অহাগী মন্ত্রগী ময়াই।

---

**মতম মতমগী ৱাখল**

## মতম মতমগী কৌনরকপা মিঙ্গৌ



Photo curtesy - N.Jadumani

ঙল্লিঙৈগী মতমদা মীগী মমিং থোনবসি মী অদুগী মওং-মতৌ শাবান অমদি পূন্সিগা মরী লৈননা খল্লগা থোন্নরম্মী হায়নৈ। মণিপুরদা ইবোহল,ইবোতোম্বী,ইবোয়াইমা,চাউবা,তোম্বা, বাবু, লুখোই মিং কৌনবা য়াম্না লৈ। নুপীরোমদসু ইবেচাউবী, ইবেমহল,ইবেয়াইমা,ইবেতোম্বী,ইবেম্মা,মেম্মা,মেম্মী,তোম্বী,সনাতোম্বী য়াম্না কৌনৈ। লৈগী মমিংশিংদগী লৌরগা থরো, থম্বাল, থারিকথা,কুশুমলৈ উরিরৈ,মাধবী,সনারৈ,কবোক্লৈ, লৈরিক, নুপীওইবীশিংদা কৌনরকপা মিংশিংনি। নুপাদা লৈগী মমিং পরিজাৎ অমদি সনারৈ,কেতুকি, নাগেশ্বর কৌবসু লৈ। হৈগী মিংদগী লৌরগা মীগী মিংদা থোনবদি তাখিদ্রি। কনাগুম্বা মচিন মনাউ নুপা ঙাক্তা পোকপদা নুপী য়াওরক্লবা হায়দুনা অকোনবা পোকপা নুপাদা নুপীদা কৌনবা মিং তোম্বী,সনাতোম্বী,চাউবী কৌনৈ। মতৌ অসুম্না,নুপী ঙাক্তা পোকলকপদা নুপা য়াওরক্লবা হায়দুনা অকোনবা পোকপা নুপীদা চাউবা কৌনৈ। মিং খরদি নুপা নুপী অনীমক্তা কৌনবসু চৎনৈ।

মহৌশাগী ফজবা উরুবদগী মীগী মিংদা থাবল,থানিল,পূর্ণিমা,নুমিৎলৈমা,থাজ, লোয়া, তময়াঙানবী অসিফাওবা কৌনখি। মিং কৌবদা মান্নরকপদগী মীগী মশক মওং,মাইকৈ হাপ্পুনা খঙননবা কৌনবসু কোঙ্গাইনি। খুদম ওইনা, চাউবা অনী শুরকপদগী মখারোমগী চাউবা,অৱাংলোমগী চাউবা,ইবোয়াইমা অচৌবা,ইবোয়াইমা মচা হায়না খঙননবা কৌনরকই। নুপীদসু ইবেয়াইমা অপাবী, ইবেয়াইমা লুখোইবী কৌনৈ। কনাগুম্বা খরদি মাগী পোকফম হৌরকফমগী লম হাপ্পগা হেন্না মিং খঙনৈ। পোক্লফম লম হাপ্পগা মিং খঙনবসিমদি খরা অখন্নবা মশক নাইবা মীওইশিংদা কৌনৈ । অয়াম্বনা জগোয় ঈশৈ,কলা সংস্কৃতিগী লমদা খোঙদাবা মীওইশিংনা কৌনৈ। খুদম ওইনা- থাঙ্গা মঙ্গোলজাউ,লমজাও তোম্বা,মোইরাং জাতি,কুম্বী ইনাকখুনবী,লাংঙাথেন থোইনু, সেক্তা কলা, নুঙ্গৈাই মেরা, উয়ান ইবোমচা, লমদেং থম্বালঙৌ,য়োংলান নিত্যাই,কৈকোন চাউবা অসিনচিংবা কয়া লৈখ্রে। মাইচৌশিংগী মরক্তসু ৱাংঙু বাজি, কোনোক থেংগ্রা,লাঙ্গোল লুখোই,শমুরৌ চিগোং শিংথানখিবা ঙাক্তনি। মাইচৌশিং অসি মিং খক হায়রগা খঙনবদগী লম হাপ্পগা হেন্না খঙনৈ। পোক্লফম লম য়াওনা খঙনবসি মীয়াম্না পীবা ইকায়খূম্নবা মিংথোলনি। মী অমদা হেক্তা হায়বা য়ারোই। মীগী মমিংদা অমুকসু ধাতুগী মিং লৌদুনা সনা,হিরা,মণি,মুক্তা কৌবা লৈনখ্রে। খরা মশা মউ খিঙবা,মখোঙ য়াংবা,থবক থৌরম থুনা তৌবা ঙম্বা মীদা মণি অপাইবী,তোম্বী অয়াঙবা,বাবুসিং ওইনা কৌনবসু লৈ। ইকায় খূম্ননা কৌবা মিঙ্গৌনি। কনাগুম্বনা শাওনবা, করেম্ননা অমদি থৌওইদনা লৌরগদি অরানবা ওইগনি। জি সি তোংব্রানা মহাক্কী দ্রামাগী করেক্টর অমগী মমিং থোনবদা ইবোহল নুংথং কৌবা য়াওহনখি। কুচু কুমেন,শকওং-শক্তাদা য়েংলগা কৌনবা মিংশিং অঙৌ,অমুবা,ঙাংবী,অশংবী,তেনদেন, তেনবী,অপাবী,ফৈজাও,পাকচাউ অসিনচিংবা মিংশিং কয়া অমসু লৈরি।

মৈতৈনা হিন্দু লাইনিং লৌরকপদগী মৈতৈশিংগী হান্না কৌনরকপা মিং হোংনখি। মৈতৈশিংগী থায়না কৌনরকপা মিং তোক্লরগা হিন্দুগী লাইয়ামশিংগী মমিং পাম্না কৌনরকখিবা মতাং অমা লৈখি- নুপাদা নন্দ,নরান,নরায়ন,বিষ্ণু,কৃষ্ণ,গোপাল, শ্যাম,কহ্নাই, সহাদেব,নোকুল,রাম,লক্ষ্মণ,ভরত,দুসন্ত অদুগা নুপীদা অমুক-যশোদা,রুহিনি,রাধা ,রাধিকা,লক্ষ্মী, দুর্গেশ্বরী, রাশেশ্বরী অসিনচিংবা মমৈথংদদি হিন্দি ফিলমগী ষ্টারশিংগী মিংশিং-বিজেন্তিমলা,দিল্লিপকুমার,দেবানন্দ, রাজেন্দ্রকুমার, হেমা,প্রিয়া,প্রিয়াঙ্কা ফাওবা য়াওনা থোন্নরকখি।

ঙল্লিঙৈদা ঐখোয়গী খুন্নাইদা মিং থোন্নরকপগা হৌজিক্কী মিং থোন্নবসিগা ৱাখল্লোন খেন্নৈ। ঙল্লিঙৈগী মিং থোনবদি নাক য়েৎ,হৌরকফম, শাজৎ,য়েক-সল্লাই,মতীক মথৌনা,তৌবা ঙম্বা, মওং মতৌ,পোকফম,লৈফম,হৈনবী মওং কয়া অসি কূপ্না য়েংলগা মিং থোল্লি। মিং থোনগদৌরিবা অসিসু মপা মপু মশক নাইবা অহল লমন, মাইচৌশিংনা মচা মশুশিংগীদমক থোলহল্লি। পোকপদা থোনবা মিং মাগী মতীক মথৌনা,শাজৎকী মতুংইন্না মিং অমুক হোংদুনা থোন্নবসু চৎনৈ। মিং নৌনা হোংদুনা থোনবগী থৌরম ফাওবা লৈরকখি। মিং হোংবগী থৌরম পাংথোকপা অসিদি অঙম অথৌ, মতীক ময়াই লৈবা খরগী ৱানি মীচমদদি থৌরম অমা ওইনা চাউনা পাংথোকপা কয়া তাদ্রি। চীংমীশিংগী মরক্তা মরিং ফুরুপকী 'মিনফুক' থৌরম অমা য়াওখি। হান্না কৌরকখিবা মিং অদু অহল ওইরগা অমুক নৌনা মীয়াম মাঙদা কন-থৌবা উৎলগা ষন্দং হাৎতুনা চামিন্নরগা মিং হোংবা থৌরম পাংথোকপনি। তোয়না পাংথোকপা ঙম্নদে। মিং হোংবা শেন চংঙি। লাকপীখিবা খুনগী মীয়াম পেন্নবা শা থোংদুনা পীজগদবনি। মরিংগী ওইনা 'মিনফুক' মিং থোনবগী অচৌবা থৌরম অমনি।

মতৌ অসুম্না ঐখোয় তম্পাক্কী ওইনসু নিংথৌরোলশিংগী হাক্তকশিংদা শা ফারুবা, লান চৎলুবা মায় পাক্না লাকপা, হল্লকপদা নিংথৌশিংগী,ফম্নাইবশিংগী নৌনা মিং হোংখিবা থৌরম চাউনা পাংথোকপা লৈখি। মৈতৈগী হান্নগী কৌনরকপা মিংসি য়াম্না শাংনা শাংনা কৌনরকই। মিং শাংনা কৌবসি ঙল্লিঙৈদা চৎনরকপগী মওং থেংনৈ। অরীবা মিংশিং অয়াম্বা সেলেবল অহুমদগী তাদনা- খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা,হাওরং লৈশং শাফবী,চীঙচেং নারল পালকলপা অসিনচিংবশিং মিঙ্গৌনরকখি। হৌজিক্কী মতমসিদা চৎনবী অমা ওইনা কনাগুম্বগী অঙাং অমা পোকপদা পাঞ্জিনা অঙাং অদুগী কুঠি ইবীরকপদা মমিং থোন্নবগীদমক মিংগী অহৌবা 'ক' 'খ' 'গ' অসিনচিংবনা হৌরগা মিং থোন্নবা ইরকপা য়াওই। পাঞ্জিনা পীরক্লিবা মিংসি লাইরিক্কী মতুংইন্ননি হায়রি। ইমুং মনুংনা পামদবদগী অমুক ওন্থোক ওনশিন তৌনৈ। পাঞ্জিনা পীরকপা মিং থোন্দ্রগদি ফত্তবা ওইরক্কদ্রা হায়দুনা মীপাইনবা মমা মপাশিং লৈনখি। ইমুং মনুংনা পাম্না থোনখিবা মিং অঙাং অদুনা অমুক চাউরক্লগা মানা অমা অমুক মিং হোংদুনা থোনজবসু য়াওরি। নহারোলশিংনা মখোয়না পামজবা মিংসি ইংরাজিনা অয়াম্বা ওই। ঙসিগী নুপামচাশিংনা পামজবা মিংসি রোবর্টসন, মাইকেল, জেকসন,লিওনার্দো,ত্রাজান,হরকুলিস,অর্নোল্ড । নুপীমচাশিংসু চপ মান্নে হেলেনা,অথেনা,এলিজাবেদ,রোজি,রেজিয়া, মার্গরেট, জুলিয়েট য়াম্না কৌনরি। য়ূম্নাক্তি ইপা ইপুগী হোংবা য়াদবনিনা মৈতৈগী য়ূম্নাক্তা লৈরি। য়ূম্নাক্কা মিংগা লৌরেম্বম হারকুলিস,অসেম জুলিয়েট,মৈনম ত্রাজান অসিনচিংবা হায়দোকলকপদা চানদবদগী তাবদা নোকনিংবা কয়াসু লৈরি। পাম্না কৌনরি অদুবু তাবদদি মরিং মরাংঙি।

মহৌশাসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগা মান্নদবগুম তৌই। মালেম পৃথিবীগী খোঙচৎসি খরা য়াংনা চৎপগুম্না ফাওই। অঙাং ওইরিঙৈ নোংমগী মতমসি য়াম্না শাংঙি। নুমিৎ পাক হেক্তা তাখিদবগুম তৌই। চয়োল অমা, থা অমা,চহী অমা হায়বসি য়াম্না শাংঙি খনখি। হৌজিকসিনা নোং হেক ঙানবগা ঙাইহাক লৈরগা নুমিৎ তাগুম তৌই। নোংমাইজিং অমদগী নোংমাইজিং অমা হায়বসি ইনক নকশিন্নরকপা মাল্লি। চহীসি খঙহৌদে।

থায়নগী অহল লমনশিংসি ঐখোয়না শক উখিবদা চহী য়াল্লবা অহল ওইনা লোয়না উখি । মশক নাইবা লমদমসিগী মীওইশিংগী পূন্সি ৱারী পারুবদা ওইরল্লিবা চহীগা শকওং শাবানগা, শকফমগা চান্নখিদে । মৈতৈ নোংশা হায়নখিবা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ মহাক্না নোক্না ফাসিগী সগাই কাখিবদু চহী নিফু শুখিদ্রি। টিকেন্দ্রজিৎ হায়রগা চহী অহল ওইনা খল্লি । ডাক্তর কমল চহী ৩৪ খক্তনি। নুপীসু অদু মঙাই শকফমদা অহল য়াম্না মাল্লগা চহী নৌবা য়াম্না লৈরম্মী। নুপীশিংসি খরসু অহল শানীংবগুম্বা য়াওবসু থেংনখি। ঐখোয়গা লাইরিক তম্মিন্নরকখিবা চহী লেঙ্গাগী নুপীশিং নুপা খরা অহল ওইবদা ময়ূম পাল্লি হায়দুনা ঐখোয়দা ইবুংঙো কৌরকপসু লৈখি। মসি মতাং মতাংগীনি হায়বদুতা তারি। চহী লীরবা লৈশাবীনা চহী নৌবা শানিংবসু লৈখি। নুপাদদি সিগুম্বসি কয়া লৈতব্রা খল্লি। নুপাদসু রাজনিতি তৌবা ওইরগদি লিৎলিবা ফুরিৎ, ফৈজোম অদুনরা খঙদে অহল হেক্তা ওইশিনখি। অঙাংনা অহল শাবসি ইপা ইপুশিংনা অঙাংহল হায়রগা খঙনরকই। মহা কবি অঙাংহলগী মিং অসিদি অদুগী ওইরমলোই। মাঙ্গোলদা ফম্লগা ৱা চাউনা ঙাঙবশিংবু মঙ্গোলজাউ হায়না অহল লমনশিংনা হায়নখি। ঙসিদি মী মরক্তা মঙ্গোলজাউ কৌরিবসিদি অদুগদি খেন্নরে ।

ঙসিগী মীরোলসিদা অমুক হান্না কৌনরম্বা মিংশিংদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু নোংপোকঙানবা, লনচেনবা, লনচেনবী,লনসনা,পান্থোই,থৌয়াংবা,লনচেনবী,শিল্লৈমা, লিরিখোম্বা,তাইবংঙানবা ..কন্না কৌনবা চৎনরক্লি। মিংথোনদি ঐখোয়গী ওইরে মসি অফবা খোঙথাং অমনি। ঙাঙনরিবা লোলশিংদা ইপা ইপু হাক্তক্তগী ঙাঙনরকপা লোল, পোৎচৈশিংগী মমিং ঙসিগী অঙাংশিংনা খঙনদ্রিবসিমত্তংগা খঙননবা মমা মপা ওইবশিংনা মচাগী মিংদা অনৌবা থোনবীবগুম তাকপী তম্বীদুনা খঙহনবীরগদি ঐখোয়গী ৱাহৈ,লোল হিংবা ঙমগনি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

## রাগ দরবারী-১০৪

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

মখোয় অনী হেক লাকপা উবগা লমহাংদা মখোং হামদুনা লৈরিবা নুপীশিং অদুনা চপ-চপ লেপখৎলকই। মতৌ অদু মখোয় অনী লাকপদা 'গার্দ ওফ ওনর' পীবা হেক মাল্লি। থৌওং অসি মফম অদুদা নুমীৎ খুদিংগী থোকপা শক্তমনি। রঙ্গনাথ অমসুং প্রিন্সিপাল সাহব করিমত্তা খন্দনা অদুমক চৎলম্মী। নুপীশিং অদুসু চিংনবা লৈতনা অদুমক লেপ্পুনা লৈরম্মী। মে-মে খোংলদুনা হামেং অমনা মখোয় অনীবু ৱাইরম্লগা লম্বীগী মতাইদা চেনখিরম্মী। নুপীশিংগী মনাক্তা লৈরিবা ঈশিং য়াওবা পাত্রশিং অদুবু ইন্থুরমদুনা লম্পাক অমদা অমুক চৎখি। অঙাং খরদি লৈখোম থোম্নবা অমদি মখোং হাম্না-হাম্না লাউনবসু য়াওরি। অদুগা খরা অমনা ফীভম অদুদা অদুমক হৌগৎলগা হামেংগী মতুংদা তান্নরম্মী। ওইরিবা অমদি তৌনরিবা ফীভম অদু উবদা রঙ্গনাথ অমদি প্রিন্সিপাল সাহব ঙাইহাক তুমিন্না লৈরম্মী। মফম অদুদগী খরা খজিক লাপথোকরক্লবা মতুংদা মখোয় অনীনা হায়ফেৎ তুং হন্না য়েংলুবদা নুপীশিং অদু লম্বীগী মতাইদা অমুক হন্না হান্নগী মতৌগুম ফমথখিরম্মী। প্রিন্সিপাল সাহবনা মহাক্কী ৱা অদু অমুক হন্না হায়বা হৌরকই -

"বনর্জি সাহব কৌবা প্রোফেসর অমা লৈ। মহাক্না ঐবু হিষ্টোরি (ইতিহাস) তাক্লম্মী। মহাক্কী হৈনবী অমা ওইনা পারা তাকপা মতমদা চুম্না তাকপগী মহুৎতা কোয়থোক্লগা তাকই। মহাকপু মীয়াম্না য়াম্না হৈ শিংবা ওজা অমনি হায়না লৌনরম্মী।"

"ঐসু ইহান হানবা ওইনা মহাক্কী ক্লাসতা য়াওবনি, মদুনা মরম ওইদুনা মহাক্না ঐঙোন্দা চিংনবা অমা লৈরম্মী। ঐবুসু মহাক্না হৈশিংবা ওজা অমনি হায়না খল্লহন্নিংই।"

"নোংমা মহাক্না ঐখোয়বু অশোককী শিলা-লেখ তাকপীরম্মী। মতম অদু নীংখা তম্বা কুইদ্রিবগী ৱানি। গৌতম বুধ অমদি অশোকনচিংবগী ৱাখল্লোল ফজনা ইন্দুনা চৎনরম্মী। মরমদি মতম অদু ফাওবদা চিনানা লৈবাক অসিদা লান্দারক্তরি। ঐখোয় পূম্নমক অহিংশাগী মরমদা য়াম্না ঙাঙনরম্মী। লম্বী অমদি লৈকায় ফাওবগী মমিং অশোক অমদি গৌতম বুধগী মীং ওইনা থোন্নরম্মী।"

"প্রোফেসর বনর্জিসু থৌনা লৈবা মীশক অমনি। মহাক নুমীৎ কয়ানিদগী অশোক্কী মতাংদা তাক্তুনা লৈরম্মী। ৱাফম খুদিংমক্তা ঙসিগী রাজনিতিদা অশোক্কী করি-করি ফজবা লৈ হায়বগী মতাংদা ৱা হেক-হেক ঙাঙই। নোংমদি করি-করিনো ৱা কয়া ঙাঙলদুনা মহাক ৱাহৈ অমদা পল্লগা লৈখি।"

"ৱাহৈ অদুদি - ৱিমান"

"হোয় ৱাহৈ অসি- পুস্পক ৱিমান হায়বগুম্বনি। অশোককী শিলা-লেখকী মফম অমদা ৱাহৈ অসি য়াওই। প্রোফেসর বনর্জিনা হায়, নখোয়না ৱিমানগী ৱাহন্থোক অসি দেবতাশিংগী সৱারি (লাইশিংনা তোংনবা পোৎশক)নি হায়না খঙলম্বা য়াই। ঐনসু হান্না খঙই মদুদি নখোয়না শুমাইনা অদুমক হায়রক্কনি হায়বা; ঐনা হংগনি মদুদি ৱিমানগী ৱাহন্থোক করিনো? অদুগা নখোয়না হায়গনি মদুদি লাইশিংনা তোংনবা পোৎশক অমনি হায়বা।"

"রঙ্গনাথ বাবু, অদুম্না হায়রম্লগা হনুবা অদু তুমিন্না লৈখি। অদুগা ঐখোয় পূম্নমক অপঙবনি খন্না হায়ফেৎসু মহাক্না নোকফেৎ তৌরম্মী। ঐনা হায়, প্রোফেসর সাহব, ৱিমানগী অতোপ্পা অর্থ অমসু লৈ। মদুদা মহাক্না মখুৎ থাঙ্গৎলদুনা ঐবু তুমিন্না লৈনবা হায়রকখি।"

"মদুগী মতুংদা মহাক মথন্তা অদুমক ঙাঙদুনা লৈখি। কনা অমত্তবু মহাক্না ৱা ঙাঙনবগী তাঞ্জাসু পীরমদে। অদুগা মহাক্না মখা তানা হায়, অসিগুম্বা অরানবা অসি প্রোফেসর ভণধারকরসু তৌই। য়াম্না কুইরবা ৱানি, ঐ মহাক্কা লোয়ননা জৈনগী লাইরিকশিংগী মতাংদা রিছর্স তৌরম্মী। মহাকসু ঐগা লোয়ননা অশোককী শিলা-লেখশিংদা রিছর্স তৌবনি। নোংমা ঐনা মঙোন্দা হংই, ডা. ভণধারকর, ৱিমানগী অর্থসি করি হায়নো? মহাক্না হায়, বনর্জি মসিদি পূম্নমক্না খঙবনি। মসিগী ইচম চম্বা অর্থ হায়রগদি সৱারি (তোংনবা)- লাইশিংগী তোংনবা পোৎশক অমনি।"

"রঙ্গনাথ বাবু, প্রোফেসর বনর্জিনা ৱাফম অদুগী মতাংদা মতেক-মতেক লেপ্পুনা, য়াম্না চাওনা সসপেন্স লৈহন্দুনা তাকলম্মী। মহৈরোয়শিংসু তন্না-তন্না মমায় লৈথোক্লদুনা তান্নরম্মী। ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুরবা মতুংদা অমুক মহাক্না হায়রকই, ঐনা ডা. ভণধারকরগী ৱা অদুবু য়াখিদবনি। মহাক্না হায়, শিলা-লেখ অসিদা ৱিমানগী অর্থ ৱাহন্থোক অমত্তা লৈতে। ভণধারকরনা ঐঙোন্দা হংলকই, অদুগা মসিগী অর্থনা করিনো? অঙাংশা, মসিগী অর্থ ৱাহন্থোক অমদি লৈরমগনি।"

"প্রোফেসর বনর্জিনা হায়, ৱাফম অসিগী মতাংদা ডা. ভণধারকরনা মহাক্কী মমায় য়েংলকখি। অদুগা হায়, সংস্কৃতকী লাইরিক খুদিংমক ঐনা পারগা নৈনখ্রে। ৱিমানগী ইচম চম্বা অর্থ ৱাহন্থোক হায়রগদি - আকাশগামি য়ান হায়বনি। অদুগা বনর্জি, অতোপ্পা অর্থ লৈরমগনি হায়রিবসিনা নঙনা মতৌ করম্না হায়রিবনো?" মদুগী পাউখুম ওইনা ঐনা হায়, দোক্টর, ঐসু হান্নদগী মদুমকনি হায়না খল্লি। সংস্কৃত-সাহিত্য অমসুং গ্রামার পাবদা ঐগী পুন্সিগী চহী তঙ্খায় অমা হৌখ্রবনি। ঐগীসু ৱাখল্লোল অসিমক্লি। ৱিমানগী অর্থ খঙনবগীদমক সংস্কৃত খঙবগী মথৌ তাদে, মদুগী মহুৎতা প্রাকৃতকী লাইরিক পাবা মথৌ তাগনি। ঐনা জৈনগী লাইরিক কয়া পাদুনা নৈনখ্রে। ডা. ভণধারকর নহাক প্রাকৃত খঙব্রা?

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**

---

**ৱারী ককনাউ**

## শাজৌগী থৱায়

পুঙ-ও, ঝাল-ও থ্বাই-থ্বাই লাওনা য়ৈরি, তবীবা য়াওদ্রবা, নুংশিরবা ঈশৈসু শক্লি। ময়াম অমনা শুৎ-শুৎ কপ্পরি। নহা খরদি মথৌ খংচিন চিন্দুনা পেট্রোল হৈব-ও, শীং শেন্বা-ও কন্না তৌরি। নহা অমনা অচাকপা মৈহুম অমা পুদুনা পেট্রোল হৈজিল্লিবদুদা লংশিল্লি। মৈ ব্রং লাওনা হৌরকই। মৈশাদুনে কৈনে, শাজৌগী থৱায়দু মথকলোমদা অদুম পাইখৎলি। হন্না ফাওবা য়েংলমদ্রে। শোমদনা মৈথাবগী অৱা পোথা ওইনবা য়ু লিটর অহুম চেরংদা হাল্লগা মঙ্গল কাংহৌ খরগা য়োম্মগা তোম্বনা পুরকই।

থৱায়দু সুম সুম পাইখৎখিবনা মীকূপ খরগী মতুংদা চাওরবা পাৎ ওইনা তৌবা ঈচেল কল্লবা তুরেল অমা থেংনরে, বৈতরনি হায়দু ওইরমাল্লে। থোং অমত্তা শাদে, করম্না লানগনি খল্লিঙৈদো, হি হোনবা নুপা অমনা মাবু কৌরকপগুম থৱায়দু হিদ্দা কাখৎখ্রে, তুরেলদু লানবা হৌখ্রে। শাজৌ হান্নগী মাগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদে, হি হোল্লিবা নুপাদুদা হংই,

"সাজন য়াওবিরিব্রা?"

"কৈনো সাজন হায়দি?"

"খৈনিদো, খিত্তা উমজগে, চিনসি নুংঙাইতা তৌনি"

"হোল্লিবা নৌসিনা নকোক্তুদা পোপ লাউনা থারক্কনি, কায়দৈ সাজননো? নয়ু তপ তাখে থকচিন্দুনা লিভর পৎতুনা শিরবা নঙনা অমুক সাজন গাইনা। নশক্তুগা খরা ফজরদি ফৈয়ে, হেক য়েংবদা য়োং অকংবা হেক মাল্লদনা" শাজৌগী অশাওবী হায়বসি য়োং অকংবা মানবা হায়বসিনি। শাজৌদু পিং লাওনা শাউরকই।

"ঐবু য়োং অকংবা মাল্লি হায়সি কনানা নঙোন্দা হায় হা?"

"মীনা হায়বা নত্তে, ঐনা য়েংবদা মাল্লি হায়বৈ ৱানি"

"ঐখোয় নুপীনদি ঐসি হিরো মাল্লি হায়দনা, য়াম্না লুনা তৌই। অদুগা নঙনা ঐবু য়োং অকংবা মাল্লি গাইনা। নঙগীসু হায়রকউরা হা"

"হায়রকউনে নঙনা ঙম্মদি?"

"নশকতো ঐনা সুম য়েংবদা, ঐনা থায়না অঙাং ওইরিঙৈদা য়েংখিবা হিলানবগী দেবীগী মপা শাবা য়াম পক্তবদু মাল্লি"

হন্দক্তি শাজৌগী ৱাদু তাবদা মীদু নোকথোরক্লে, "য়ারে য়ারে নঙগা ঐগা ৱা ঙাঙনবা লেমদে, নঙনা ঙমজরো, কৈকান্ননি নঙগুম্বা অমগা ঐগা মরৈ য়েৎনরগা"

শাজৌ তুরেলদু লাম্থোক্লগা অমুক চৎখ্রে। অকোনবদা কোনুংগুম্বা অমগী গেট ময়াদা লেপখ্রে। গেটতু থিন্দুনা হাংদোক্লবা কৌই। নুপা অমা থোরকই। নুপাদু ৱাং চাউই। মমিৎতু লাইবক ময়ায়দা অমগা অহুম পাল্লি। শাজৌ মদু উবদা ঙকই। নুপাদুনা হংই।

"নমিং করি কৌই?"

"শাজৌ"

"য়ূম্নাক্তি?"

"য়ুরেঞ্জম"

"শাজৌ কৌবা য়াওদে লিষ্টসিদা, করি লমনি হায়বা?"

"মণিপুর"

"মণিপুরদগী ঙসিগী থারকপা লিষ্টসিদদি শাজৌ কৌবদি য়াওদেনা। য়ুরেম্বম কৃষ্ণচন্দ্র, মদনমোহোন দাস হায়বদি য়াওই। পুঙ কয়াদা শিরকপনো, করি কমাইনা শিরকপনো?"

"ঙসাই অয়ূক পুং ৭.১৫দা শিবনি, য়ু থকমনবদগী লিভর পৎপনি হায়"

"অদুদি চুম্মীনে, নমীংসিদনিনে, ফরক তারিসে, লিষ্টসিদদি কৃষ্ণচন্দ্র মদনমোহোন দাস হায়রি, নঙনা শাজৌ কৌই হায়রি। নমিং ওন্নে, মনুং চঙবা য়ারোই। তু উৱব্রা অসিদৈসিদা লৈরিবা ময়ামসে, মণিপুরদগী লাকপা ঙাক্তনি, মোই মমিং লোইনা ওন্নবদগী মনুং চঙবা য়াদদনা লৈরিনি"

শাজৌনা ময়ামদুদা য়েংলুবদা মাগা খঙনবা অহুম মরি য়াওরম্মী। হাকুম হীদাক লান্ন-লান্নদুনা থকমিন্নবদগী লৈখিদ্রবা তোমচৌসু য়াওরম্মী। হরাও হরাও কৌরুই।

"তোমচৌ তোমচৌ ওহ ইতাও ঐসু লাকএ" তোমচৌ চঙশিল্লকই।

"শাজৌ নঙসু লাক্লব্রা?

"লাকএ ইতাও?"

"তয়াইগী ভেন্দরদা পূনমিন্নরম্বনি, মাগী পোত্তুময়াকয়াম কল্লি, অদুনা ঐখোয় থুনা থুনা উনরিনি। পূম্নমক তয়াইগী থৌজালননি"

"মান্নি ইতাও, ঐখোয়গী পোৎ হেক হেক লৌহনবা মোমোনদুসু নারে তাই, মাসু য়ৌরক্লনি। অদু কৈগীনো ইতাওনা মনুং চঙদদনা সিদা লৈরম্মীসিবো?"

"মিং ওন্নবগীনি ইতাও, তোমচৌ ঐসি কনানা ওন্থোকপীরকপনো খঙদে, লিষ্টতদি নিত্যানন্দা দাস হায়না ইরম্মে, ইশামকনি হায়না ফনা য়াম্না হায়রসু চঙবা য়াদ্রে ইতাও। নঙগীনা কৈদৌরবা?"

"ঐগীসিসুনিনে, কৃষ্ণচন্দ্র মদনমোহোন দাস হায়না লৈরম্মেনে"

"ইতাও য়াররোই, মণিপুরদগী লাকপা অয়াম্বা মিং ওন্নে হায়দুনা নোংজু নুংশা মরকসিদা ফৌরগা লৈরিসিনি, চাফম, থকফম, হিপফম অমত্তা লৈতে। য়াম্না ৱাখ্রজাৎনি। ঐখোয়বু তম্বীখিবা মৈতৈ মরূপ চৎপা ওজা অহোংসাংবমগী তেম্বীদো নহান কারকই। মাদি হরাও হরাও চঙখি। লাইনীং চুম্না চৎপশিংদি অপনবা লৈতে অদুম চঙখি।"

"অশ! অদুদি কমাই তৌনি?"

"পাম্বৈ লৈতে, সোরাৎ শোন্দনা, অষ্টি লৌখৎতনা, শ্রীধামদগা চৎতনা গঙ্গাদগা কুমদনা ফনা য়াম্না হোৎনরসু, ঐখোয় থৱায়শিংদি মনুং চঙবা য়াদদনা শ্বাইদা কঙ কঙদুনা লৈরে, মীং ওন্নবগী"

"ইমা-ইপানা থোনবীরম্বা ঐখোয়গী মীংসিবু কৈগীনোনে, মোইনা শিরকান্দা ওন্থোকপীরিসিবো, শিরসু অসুক ৱাখিদৌরিবা?"

"অদুনি ইতাও, ঐখোয় অশিবশিংসে, করম্বা অশিবনো অমুক ঙাইদৌরিসে খঙদে"

"মখাদা কুম্মগা, শিরগা নমিং ওনগনু হায়না অমুক্তা লাউরুসিরা"

"কান্নরোই ইতাও কান্নরোই, ঐখোয়গী খোঞ্জেল তানবা মী অমত্তা লৈররোই"

"অশ! কমদৌবা তারি সিদি?"

*— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।